## শার্জিল ইমামগী মথক্তা মণিপুর পুলিসনা কেস লৌখৎলে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস): জৱাহরলাল নেহরু যুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় ওইরম্বা শার্জিল ইমামগী মথক্তা মণিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না তোঙান তোঙানবা সেদিসনগী চার্জশিং তৌরদুনা রেগ্যুলর কেস এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা মখল কয়াগী অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লকপদা শরুক য়ারিবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা শার্জিল ইমামগী মথক্তা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলিবা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর- ১৬(১)২০২০নি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন- ১২১/১২১-এ/১২৪-এ/১২০-বি/১৫৩-এগী মখাদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না সূ মোটুদা লৌখৎপনি হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা সী এ এগী মায়োক্তা হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা অলিগর মুস্লিম যুনিভর্সিটি, ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্ট এজিটেসন অমদা মহাক্না লৈবাক অসিদগী মণিপুর যাওনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং কক্থৎলগনি হায়বা যাওনা তোঙান তোঙানবা লাইনিং চৎপা মীওইশিংগী মরক্তা নুংশিনহন্দনবা অমসুং লৈবাক্কী হার্মোনিদা কায়হন্নবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

মহাক্না প্রোটেষ্ট এজিটেসন অদুদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু থা অসিগী ২৫গী নুংথিল পুং ৬ লোম তারকপদা থেনেরকখিবনি। মসিদগী পন্থদনা মহাক্কী মথক্তা নুমীৎ অদুমক্কী নুংথিল পুং ৬.১০ রোম তারকপদা কেস অসি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপনি হায়রি। অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবদদি মহাক কেস অসিগা মরী লৈননা ফাবা, পুনবগী পাউ লৈত্রি।

## ইম্ফালদগী সাইকুল ফাওবগী লম্বীগী কৌখিবা বন্দ অমুক্কা হেন্না কনশিল্লগনি: পি দি সী সী

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭(ঐচ এন এস): ফেব্রুৱারী ১দা পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট কো-ওরদিনেটিং কম্মিটি (পি দি সী সী)না ইম্ফালদগী সাইকুল ফাওবগী লম্বীগী কৌখিবা বন্দ অমুক্কা হেন্না কন্না অকনবা মওংদা বন্দগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না মেজোর খুনদা লৈবা প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অমদা পি দি সী সীগী সেক্রেটরি থৌদাম হেমজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালদগী সাইকুল লম্বীগী মনুং চন্না লৈবা যুম্নাম পাৎলৌগী থোং অসি চহী ৭০ শুরবনা য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়দুনা অনৌবা থোং অমা শানবা কুমজা ২০১৬গী এপ্রিল থাদা ৱর্ক ওর্দর থোকখিবনি। ৱর্ক ওর্দর পায়রিবা কন্ট্রেক্টর এল তরপোননা থোং অসি শাবগী টাইম শেদ্যুল লোয়রবা ফাওবদা থবক শুরক্তবদগী থবক হৌনবা হায়দুনা কয়ারক হন্না হায়রবা অমদি বন্দনচিংবা তৌখ্রবা তুং হান্নগী অরিবা থোংদা নপশিল্লগা শাংদোকখ্রগা অহনবা থোং খাবগী মওংদা থোং শাবা হৌরকখি। থৌওং অসিদা মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা মীওইশিংনা পেন্দবগী ৱাকং পি দল্লিয়ু দিপার্টমেন্টদসু হায়খিবা লৈস্লে। লোয়ননা ভেজিলেন্স দিপার্টমেন্টনা রিপোর্ট কৌরকপদগী চীফ ইঞ্জিনিয়রনা ওফিসেল ওর্দর অমা থোক্তুনা এপ্রিল ২০১৯দা থোংগী মমাংদা থোং শাবা লোয়শিন্দ্রবদি ৱর্ক ওর্দর ককলগনি অমদি অনৌবা কন্ট্রেক্টর অমা খল্লগনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরদা ৱাফম অসিগী মতাংদা ৱাকৎখ্রবা তুং চীফ মিনিষ্টর মশামক্না সী ইদা এক্সন লৌখৎনবা হায়খি। অদুবু চৈরক অসিদা পি দল্লিয়ুগী সী ই অমসুং ই ই/আই ইগা লৌতুনরগা হৌখিবা থা অসিগী ১৮দা পি দি সী সীগা দিপার্টমেন্টকী কন্ট্রেক্টরগা থোংগী মখোং টেষ্ট তৌমিন্নসি হায়না চে থারকপগী মতুংইন্না টেষ্ট তৌরবা মতুং ই ই/আই ই প্রকাশ মশানা টেষ্টকী রিপোর্ট অসি সী ইদা থাগৎলগা ৱারেপ অমা লৌসি হায়খি। অদুবু মীফম কৌরকপগী মহুৎতা হৌখিবা থা অসিগী ২২দা থিকাদার অমদি কন্ট্রেক্টরগা দিপার্টমেন্টকী সী ই অমসুং ই ইগা লৌতুনদুনা থোংগী স্লেব শাবা হৌজিনখিবনি। অসিগুম্লবা থৌওং অসিদা পি দি সী সীনা দিপার্টমেন্টদা পেন্দবা ফাওই।

থোংগী স্লেব হৈবদা য়াওদে হায়না চেল্লিবা ই ই মশামক স্লেবতা হৈবদা য়াওই হায়বগী চপ চানা খুদম পীবা য়াবা ভিদিও ক্লিপ পি দি সী সীদা লৈরে। মরম অদুনা অরানবা তৌরিবা সী ই, ইই/আই ইশিংগী মথক্তা অথুবদা এক্সন লৌখৎনবা অমদি থোং অসিগী সেদ্যুল মতুংইন্না থোং শাদবা তারবদি লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১দা ইম্ফালদগী সাইকুলগী লম্বী অকনবা মওংদা বন্দ হেন্না কনশিল্লগনি হায়না মীফম অদুদা ফোঙদোকখে।

## মণিপুরদগী ওইনাম বেম্বেমনা পদ্ম...

লামায় ১গী মখা...কুমজা ২০১৩দা অনীরকশুবা ওইনা ওইনাম বেম্বেমনা এ আই এফ এফ ৱিমেন্স ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৫দা মশান্না অসিদগী পোখারগা মেনেজমেন্টকী মায়কৈদা মায় ওনশিনবা ঙমখি।

কুমজা ২০১৭দা মণিপুরগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং যুনিয়নগী মেনেজর ওইদুনা অহানবা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগকী টাইটল লৌহনখি। মহাক্না ইন্দিয়াগী চহী ১৫, ১৬ অমসুং ১৭ মখাগী নেসনল ৱিমেন ফুটবোল টিমগী এসিস্টেন্ট কোচ ওইনা থবক তৌখি। কুমজা ২০১৯দা ফুটবোল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট লিমিটেদনা রেষ্ট ওফ ইন্দিয়া ৱিমেন্স ফুটবোলগী হিরো অন্দর ১৭ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ্তা চিতাজ ফুটবোল ক্লবকী কোচ ওইখি।

মশাগী চহী ৩৯শুবারী ওইনাম বেম্বেমনা মঙোল্দা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীরিবা পদ্ম শ্রী এৱার্দ অসি লৈবাক অসিনা নুপীগী ফুটবোলবু শকখঙহৌবারকপনি হায়খি।

মহাক্না মখা তাখিবদা মনা অসিনা চহীশিংদা ইন্দিয়ানা যুম্ব ওইদুনা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্লদৌরিবা অসিদা শরুক যাগদৌরিবা নুপী শান্নরোয়শিং অমদি তুংদা লাক্কদৌরিবা শান্নরোয়শিংদগীদমক হায়খি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট প্রফুল পতেল অমসুং জেনরেল সেক্রেটরী কুসল দাসনা মনা অসি মহাক নত্তনা যংবীনবা লৈতনা হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা চহী কয়া ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলদা লুচিংদুনা লাকখিবী লিজেন্দ অমদি হায়খি।

হৌজিক হৌজিক ওইনাম বেম্বেম মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী মেনেজর ওইরি। যুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগীসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। পদ্ম শ্রী এৱার্দ অসি চহী খুদিংগী মার্চ/এপ্রিল থাদা দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা চীং লেল্লবা থৌরম অমদা খুৎশিন্নগদৌরি।

## ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দশিপ টুর লমথাখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচ এন এস): সিনিয়র সিটিজন্স ফোর সোসাইটি, মণিপুর, মোইরাং এ সী চেপ্টরনা শীল-লাংদুনা ম্যান্মারগী মন্দলেনচিংবা মফম কয়া অমা য়ৌরুগদবা, মোইরাং অমদি মসিগা নক্নবা এ সীদগী য়াওনা মীওই ২০না শাবা ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দশিপ টুরগী টিম অমা ঙসি ম্যান্মারগীদমক মণিপুর থাদোকখ্রে হায়না সোসাইটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ফ্রেন্দশিপ টুর অদু ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবদা মোইরাং এ সীগী এম এল এ, পি শরতচন্দ্রনা মোইরাংগী ইবুধৌ থাংজিং লাইকোন্দগী লমথাখি। লমথাবগী অচুম্বা থৌরমদুদা এম এল এ, পি শরতচন্দ্রনা ফ্রেন্দশিপ টুরগী টিমগীদমক শেলগী তেংবাং লুপা লিশিং ২০ খুৎশিন্নবগা লোয়ননা মখোয়না ম্যান্মারগী মফম-মফমশিংদা উনরুগদবা মরুপ-মপাংশিংদা খুদোল তন্নম্নবগীদমক মণিপুরগী মরুওইবা টুরিষ্ট স্পোটশিং য়াওবা বুক্লেটশিং, মেগাজিন অমসুং টেবল কেলেন্দরনচিংবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি। ফ্রেন্দশিপ টুরগী টিম অদুনা ম্যান্মারদা তেক্ত-কায়দনা থুংলুবগা লোয়ননা মণিপুরদা মায় পাক্লা হল্লক্নবগীদমক তাইবং শেন্বা মপুদা থৌনিজখি হায়রি।

## ঈ ওগী মথক্তা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি...

লামায় ১গী মখা... লোয়শঙদগী পীরকখিবা লেট্টর নম্বর- ৫/৫১/২০১৮- টি পিনা এপ্রুভ তৌরকখ্রবা বেনিফিশরি ১৬৬তা পীথোকফম থোকপা শেনফমশিং মরম চাদনা থিংজিন্দুনা থল্লে। মসিগী মথক্তা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংজফম থোক্লবা ইলিজিবল বেনিফিসরিশিংবু মরম পীদনা রিজেক্ট তৌথোক্লে। পি এম এ ৱাই-ঐচ এফ এ (অর্বান)গী গাইদ লাইনশিংগী ৱাংমদা চ্যেরপর্সনগী নোলেজ য়াওদনা বেনিফিসরিশিংদগী লুপা ৪০/৪০ লৌশিল্লম্লে। পোরোম্পাৎকী সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদা লৈবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিগী একাউন্টতগী চ্যেরপর্সন অমসুং ফাইনান্স এন্দ ইনকম জেনরেসন কম্মিটিদা তাক্লমদনা অমসুং অয়াবসু লৌদনা লুপা ২,২২,৭৫০গী শেনফম লৌথোক্লমখি। থৌওং অসি মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট, ১৯৯৪গী সেক্সন- ৫৬ (১), (২)না পীবা পাৱরগী মায়োক্তনি হায়খি।

মসিগী মথক্তা কাউন্সিলগী এপোইন্টমেন্ট কম্মিটিগী পাঙথোকফম থোকপা প্রোসিজর পূন্নমক য়াওদনা মহাক্না এম আই এস অমসুং জিও টেগকী ষ্টাফশিং এনগেজ তৌদুনা হাপচিল্লমখি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

পাউসিনা মখা তানা হায়বদা, কমপ্লেনেন্টনা চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা ৱাকৎ চেরোল অসিগী মতুংইন্না অন্দর সেক্রেটরি (মাহুদ) মোহম্মদ রাশর অহমদ খাননা জুলাই ২৯, ২০১৯দা দিরেক্টর ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্টতা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা ওফিসল ওইবা চেরোল (নম্বর- ৭/৭/২০১৯-মাহুদ) অমসু পীদুনা খঙহনখি হায়রি।

লোয়ননা অইবা চেরোলশিং অসিদা যূম্ফম ওইদুনা ভিজিলেন্স অমসুং এন্টি-করপসন পুলিস ষ্টেসননা ঈ ও অসিগী মথক্তা কেস অসি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপগা লোয়ননা ঙসিমক কেস অসিগী কমপ্লেনেন্ট ওইখিবী হান্নগী চ্যেরপর্সন লোংজম ববিতাগী এগজামিনেসন (কমপ্লেনেন্টস এগজামিনেসন) পাঙথোক্লবা পুলিস ষ্টেসন অসিনা থবক লৌখৎখ্রে। এগজামিনেসন অসি থা অসিগী ৩১দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## সীজফায়র হন্দোক্লগা অমুক হন্না...

লামায় ১গী মখা... হায়বা রিপোর্ট ফংলবা মতুংদা ন্যু দিল্লিনা লমন খুন্বগী মওংদা অলেমলা জামিরবু যুমফম য়াওদবা মরাল পীশিন্দুনা ফাখিবনি হায়নসু এন এস সী এননা মরাল শীখি।

পনবা য়াবদি, দিল্লি এয়রপোর্টতগী অনলোফুল এক্তিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী মখাদা ফাখিবা অলেমলাবু টেররিজমদা শেল থাদবদা চেন্নে হায়না এন আই এনা মরাল শীখিবনি।

কুমজা ২০০২ গী নবেম্বর ১৮ দা ইটলিগী মিলনদা ইন্দিয়ন গভর্নমেন্ট অমসুং এন এস সী এননা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রীমেন্ট অমগী মতুং ইন্না লূপ অসিগী মথক্তা অনলোফুল এক্তিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী মখাদা থল্লম্বা অথিংবা লৌথোকখ্রবনি। অদুবু ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী ইন্টেলিজেন্স এজেন্সিশিং, মরু ওইনা এন আই এনা মরম চাদবা মরাল পীশিন্দুনা লূপ অসিগী লুচিংবা কয়া ফাজিনবগী থৌওং য়ানিংদে হায়নসু এন এস সী এন-আই এমগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিনা ফোঙদোকখি। চৈরকসিদা হংসি রামসন তাঙ্খুলনা লুচিংবা এন এস সী এন-আই এমগী কাদর ৪০০ ম্যান্মারগী সোমরা ট্রেক্টতা কেম্প শাদুনা লৈরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

## চীং-তমগী মফম কয়াদা কোফী পান্বী...

লামায় ১গী মখা... মথক্তা লৈরে। মখা তানা কোফী চারা শেন্বগী থবক চৎথরি। মপান লমদগী অফবা মখলগী কোফী চারা কয়াসু পুরক্কনি। ষ্টেটসিগী মফম কয়াদসু কোফী চারা শেন্বগী থবক পায়খৎপগা লোয়ননা চুনবা মফমশিংদা থাগনি। মরূ খাদি বোর্দকী মায়কৈদগী পীনবা শেম-শারে। চারাসু পীগনি। চীংগী খুলশিংগী ওথোরিটিশিং, খুল্লাকপশিংনা খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা কোফী থাবগী থবক পায়খৎকে হায়রবদি খাদি বোর্দতা লাক্তুনা তান্নবীয়ু। হৌজিক হৌজিকসু চীংগী অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী মীওইশিং কোফী নর্সরি রেজিংগী দেমোন্সত্রেসন অসিদা শরুক য়াদুনা হীরম অসিদা খঙনবা হোৎনরি। কোফী বোর্দতগী এক্সপার্ট কয়াসু লাক্তুনা দেমোন্সত্রেসন অসি উৎতুনা খঙহল্লি। মফম কয়াদসু চৎতুনা য়েংশিল্লি। ফেব্রুৱারী থাদা জপানদগী টিম অমসু ষ্টেট অসিদা লাক্তুনা কোফী থাবগী থৌরাং অসি য়েংগদৌরি। জপান্দগী কন্সল্টেন্টশিংনা কোফী থাবগী খোঙথাং অসিদা মায় পাক্লবগীদমক পাউতাক কয়াসু পীরমগনি।

কোফী পান্বী থারবা মতুং চহী ৩ লোমদা মপুং ফাবা ঙন্মী। মসিগী মতুংদগীদি মহৈ পান্দুনা শেল লাকপা হৌরগদবনি। মণিপুরগী চীংগী মফম কয়াদা কোফী থাবগী থবক অসি পাক-শন্না পায়খৎপা য়াগনি। পোপী থাবগী মহুৎতা কোফী থাদুনা শেন্থোক লম্বী ওইবা য়াই। কোফী পান্বী অসি চহী ৩গী মতুংদা মহৈ পানবা হৌবদগী মখা তানা পান্বী অদুনা চহী ৫০গী ময়াদা মহৈ পান্দুনা লৈগদৌরিবনি। শেন্মীৎলোন্দা য়াম্না কান্নবা পীগদবনি অমনি। কোফী থানিংবা মীওইশিংনা খাদি বোর্দতা লাক্তুনা তান্নবা য়াগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা খাদি বোর্দকী ইন্সপেক্সন ইন্সত্রক্টর মিরান্দানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী ঈশিং-নুংশিৎ অমদি লৈহাও অসি কোফী পান্বী থাবা য়াম্না চুনবা ওই। ষ্টেটসিগী মফম-মফমশিংদা লৈরিবা লৈহাও অমসুং ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম অসিগা চান্নগদবা তোঙান তোঙানবা কোফী পান্বীগী ভেরাইটিশিং থাবা য়াগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## ষ্টেট অসিগী টুরিজম চাউখৎহন্নবগীদমক লো এন্দ ওর্দর...

লামায় ১গী মখা... লাক্লিবা টুরিষ্টশিংবু নুংশিনা লোয়নবা অমদি ট্রান্সপোর্টকী অফবা অৱাংবা মখলগী ফেসিলিটি ফংহনবা মথৌ তাই।

ইন্দিয়াগী মফম খুদিংদা হীরম অমা নৎত্রগা অমগী পাঙথোক্লরিবা নেসনল দেশিংগী মরুওইবা পান্দমদি লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীওইশিংদা পাঙথোক্লিবা থৌরমশিং অদুগী মতাংদা খঙহনবগা লোয়ননা এৱ্যেরনেস পীবনি। ঙসি ঐখোয়না নেসনল টুরিজম দে পাঙথোক্লিবসি লৈবাক অসিদা মতৌ করম্না টুরিজম অসি চাউখৎহনসিগে লোয়ননা টুরিজমগী সেক্টর চাউখৎহনবদা লৈঙাক্কী থৌ পুরিবশিং অমদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না করি থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা লৈবগে হায়বনচিংবা মরুওইনা খঙমিন্নবনি। ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংবদা টুরিজম সেক্টর চাউখৎপগী চাং ৱাংনা লৈবনি অদুবু চাউখৎহন্নিংলিবা চাং অদুমক্তি য়ৌবা ঙমদ্রি। মরম অদুনা ঙসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা ঐখোয় পূন্নমক্না ৱাশক অমগা লোয়ননা টুরিজম চাউখৎনবা পূন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

ষ্টেট অসিগী ওইনা হৌখিবা চহী কুমজা ২০০৮-০৯দা দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১১৫৩০০, ফোরেনর ২৭১, ২০০৯-১০দা দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১২৭৫২৬, ফোরেনর ৪০৫, ২০১০-১১দা দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১১৬৬৫২, ফোরেনর ৪৩১, ২০১১-১২দা দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১৩৩২২৫, ফোরেনর ৬০২, ২০১২-১৩দা দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১৩১৮০৩, ফোরেনর ৭৬৮, ২০১৩-১৪দা দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১৪৩০৫৯, ফোরেনর ২৫৮৮, ২০১৪-১৫দা দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১৩৪৫৮৪, ফোরেনর ২৯০০, ২০১৫-১৬দা দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১৩২০১০, ফোরেনর ৩১০২, ২০১৬-১৭দা দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১৪৫৬৮৫, ফোরেনর ৩০৩৬ অমদি ২০১৭-১৮দা দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ১৬৪৪৮৩, ফোরেনর ৩৭৮৭ টুরিষ্টশিং লাকখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৯দসু মমাঙদা লাকখিবা টুরিষ্ট মশিংদগী হেন্না লাকখি। মসিনা তাকপদি ষ্টেট অসিদা টুরিষ্ট লাকপগী চাং অসুম-অসুম হেনগৎলক্লি। লাক্কদৌরিবা চহীশিংদসু টুরিষ্টশিং লাকপগী চাং হেনগৎলকখিগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্ল অমদি টুরিজমগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা লমদম অসিগী মীয়ামগা লোয়ননা মতমগা চুনবা টুরিষ্ট স্পোটশিং অমদি মখোয়গী লৈফমশিং শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। লোয়ননা টুরিষ্টশিংনা মফম অমদা কোয়বা চৎপা হায়বসি শুপ্নগী মফম অদুগী টুরিষ্ট স্পোটশিং অদুখক য়েংবা নত্তে। লমদম অদুগী কলচর, হৌন-লোনচৎনচিংবসু য়েংবনা ঐখোয়না টুরিষ্টশিংবু য়াম্না ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা মতেং পাংবীগদবনি। মদুনা মখোয়বু মফম অসিদা অমুক হন্না লাক্লিংবগী ৱাখল ফাওহনগদৌরিবনি হায়নসু মহাক্না পাউচে অসিদা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

## ফুরুপ-কাঙলূপকী খেন্নবা থমদনা চাউখৎপা পুরকপা হায়বসি লৈঙাকসিগী পান্দমনি...

লামায় ১গী মখা... পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

কংলাদা রিপব্লিক দে থৌরমগী মার্চ পাষ্ট লোয়রবা তুংদা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা রিপব্লিক দেগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা পুন্নমক্তা থাগৎ ৱারোল পীখি। থাগৎ ৱারোল পীবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, কাঙলূপ-ফুরুপকী খেন্নবা থমদনা লমদম অসিদা চাউখৎপা পুরকপা হায়বসি লৈঙাকসিগী মরুওইবা পান্দমনি। মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ-কাঙলূপ খূদিংমক্নসু খুন্নাই অসিবু চাউখৎপা পুরক্নবনা অমত্তা ওইনা পূন্না হোৎনমিন্নসি। ঙসি বি জে পিনা লুচিংদুনা পাল্লিবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনসু ষ্টেট অসিগী চীং অমদি মণিপুরগী লোইজিং-লোয়াদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংবু চাউখৎহন্নবগীদমক গো টু হিল্স অমদি গো টু ভিলেজনচিংবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি। মণিপুরদা চাউখৎপা পুরকপা হায়বসি লমদম অসিগী চীং অমদি লোইজিং লোয়াশিং চাউখৎতনা ঙম্লোই। হৌখিবা চহী খরা অসিদা চীংদা অমদি লমদম অসিগী লোইজিং-লোয়াশিংদা মেদিকেলগী খুদোংচাবা নীংথিনা ফংহন্নবা হোস্পিটাল অমদি দোক্টরশিং লৈনবগীদমক ক্বাটর কয়া শাবা হৌখ্রে। লোয়ননা এদুকেসনগী লম্‌দসু থবক কয়া পায়খৎলে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, নুংশি-চানবা অমদি মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্নবগীদমক হোৎনবা হায়বসি অনৌবা লৈঙাক অসিগী পান্দমনি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা হোৎনরিবা অসি শুপ্নগী ঐখোয়গী থম্মোয়দা লৈজবা অশেংবা পোৎশক অদু পুথোক্তুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবনি। লমদম অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিংদা নুপীগী কৈথেল শারক্লিবা, ঈশিংগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নবা কোক্নবগীদমক থবক থৌরম কয়া পায়খৎলিবা অমদি স্কুলশিংদা ৱাৎতুনা লৈরিবা ওজাশিং লৌনবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। তোঙান-তোঙানবা লম্‌শিংদা শোখরিবশিংবুসু চাউখৎহন্ননবা লৈঙাক অসিনা হোৎনরি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়াম্না পূকচেল শেংনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মরমদি লমদম অমা ঈংনা-চিক্না পানবা হায়বসি মফম অদুদা লৈরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী চাউরবা থৌদাং কয়া লৈ। ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা পীরিবা খুৎলায় অমদি পাৱরশিং অসি মরম চানা শীজিন্নদুনা ঈমা লৈবাক্কীদমক থৌগল তৌনবা পীরিবনি।

নুপীশিংগীতা ওইবা কম্মান্দো ফোর্স অমা শেমগৎনবগীদমক লৈঙাক্না হায়খিবা অদু ঙসিদি মপুং ফানা পুথোরক্তুনা হন্দক্কী রিপব্লিক দেগী থৌরমদা য়াওবা ঙল্লকখিবা অসি তশেংনা থাগৎলি। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা কন্টিঞ্জেন্টশিংসু সী এমনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

রিপব্লিক দেগী থৌরম অসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট, চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট য়াওনা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু পাঙথোকখি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল অহানবা মণিপুর রাইফলসকী গ্রাউন্দদা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি, সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা শরুক য়াদুনা বিটিং দ রিট্রিটকী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফোক দান্স কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ঙরাং রিপব্লিক দেগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা মার্চ পাষ্ট কন্টিঞ্জেন্টশিংগী তোঙান-তোঙানবা কেটগোরিশিংদা মকোক-মথং তাখ্রবশিংদসু মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

মকোক-মথং তাখ্রবা যুনিফোর্ম কন্টিঞ্জেন্টকী ওইনা বি এস এফ অমসুং ফায়র সর্ভিসনা পূন্না অহানবা পোজিসন, ইম্ফাল অমসুং বিষ্ণুপুরগী অপূনবা কম্বাইন্দ সী দি ওনা অনীশুবা পোজিসন অমসুং সী আর পি এফকী নুপা কন্টিঞ্জেন্টনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। মহিলা যুনিফোর্ম কন্টিঞ্জেন্টকী ওইনা সী আর পি এফনা অহানবা, ৯শুবা আই আর বি (কম্মান্দো)না অনীশুবা, হোম গার্দ অমসুং ৯-আই আর বি মহিলা কন্টিঞ্জেন্টনা পূন্না অহুমশুবা তামিন্নখি। এন সী সীগী কাঙলূপ্তা ১৪শুবা সিনিয়র এন সী সী বোইজ এন্দ গার্লসনা অহানবা, এন সী সী সিনিয়র এয়র ৱিংনা অনীশুবা অমসুং ৬৫শুবা এন সী সী সিনিয়র গার্লসনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। স্কুল কন্টিঞ্জেন্টশিংগী ওইনা সাইনিক স্কুল ইম্ফাল অমসুং কে জি বি ভি অন্দ্রোনা অহানবা পোজিসন পূন্না তামিন্নখি। মণিপুর পব্লিক স্কুল কোইরেঙ্গৈ অমসুং নেসনল স্পোর্টস একাদেমি (গার্লস)না পূন্না অনীশুবা তামিন্নখি। অদুগা রেসিদেন্সিএল স্কুল খুরাই অমসুং মালোম মেঘা হায় স্কুলনা পূন্না অহুমশুবা পোজিসন তামিন্নখি। কোলেজ কন্টিঞ্জেন্টকী ওইনা জি পি ৱিমেন্স কোলেজ অমসুং দি এম কোলেজ সাইন্সনা পূন্না অহানবা, দি এম কোলেজ ওফ আর্টসনা অনীশুবা অমসুং মোদর্ন কোলেজনা অহুমশুবা তাখি। বেন্দ পার্টিগী ওইনা অসাম রাইফলসকী বেন্দ পার্টিনা অহানবা, টেরিটোরিয়ল আর্মি বেন্দ অমসুং ৯-আই আর বি মহিলা বেন্দনা পূন্না অনীশুবা অমসুং সী আর পি এফ বেন্দনা অহুমশুবা তাখি। গেট শেম শাবদনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, মণিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (মেক্স) অমসুং ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি। টেব্লো দিসপ্লে কেটগোরিদা রুসা, ৱাটর রিসোর্সেস অমসুং সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

চীং অমসুং তমগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী কলচরেল ট্রুপ ১৫না শরুক য়ারগা ঙসি পাঙথোকখিবা ফোক দান্স কম্পিটিসন অদুদা সেদ্যুল কাষ্ট চিলদ্রেন'স কলচরেল একাদেমি ককচীংনা অহানবা পোজিসন তাখি। নুংনাং কলচরেল ট্রুপ নোনে দিষ্ট্রিক্ট অমসুং কান্তো অৱাং লৈকাই দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা পূন্না অনীশুবা অমসুং কোন্সাকুল কলচরেল ট্রুপ কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টনা অহুমশুবা তাখি। অহানবা পোজিসনদা শেল ওইনা লুপা ৫০,০০০; অনীশুবদা লুপা ৪০,০০০ অমসুং অহুমশুবা পোজিসনদা লুপা ৩০,০০০গী শেলগী মনাসু পীখি।

## উখ্রুলগী পুশিং ভিলেজ ২ থোক্লা খায়দোকপগী লৈঙাক্কী ওর্দর...

লামায় ১গী মখা... পিটিস্নরনা কোর্টনা ৱাকৎলিবনা নীংশিংবা থোক্রবা মতমদগী লৈরক্লবা পুশিং ভিলেজ অসি অরিবা তাঙ্খুলগী চীংগী ভিলেজনি। খুল অসিগী পাট্টা অমখক লৈ অদুগা ভিলেজ হেদ মেনসু অমখক লৈ। ভিলেজ অসিগী হেদ মেন এ এস ৱুংহৈনা ওইরম্বদগী মহাক লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্কী মচানুপাশিংগী মনুংদগী খ্বাইদগী অহল শোংফুংনা মহুৎ শিন্দুনা হেদ মেন ওইহৌখি। অদুগা শোংফুং লৈখিদ্রবা মতুংদগীনা হৌজিক ফাওবদনা কেস অসিগী পিটিস্নর ওইরিবা এ এস য়াংলুংনা হেদ মেন ওইরক্লি হায়রি।

অদুবু মহাক্কী পুশিং ভিলেজবু পুশিং চীংথক ভিলেজ অমসুং পুশিং চীংখা ভিলেজ হায়দুনা অনী থোক্লা খায়দোক্লগা তোঙান-তোঙান্না শকখঙনহন্নবগী থবক অসিদি চহী কয়াগী মমাংদগী হৌরকখ্রে হায়রি।

অহানবদা হৌজিক্লা লৈখিদ্রবা মশানা মশাবু খুল অসিগী মন্ত্রি অমসুং খুল্লাকপনি হায়জখিবা কে এস নাকোর অমসুং সাফৈ কৌবা মীওই অনীনা পিটিস্নরগী অপোকপা শোংফুংনা হেদ মেন ওইরিঙৈদা উখ্রুলগী সব-দিভিজনেল ওফিসর (এস দি ও), উখ্রুলদা স্যুইট নম্বর- ৬৩ ওফ ১৯৪০-৪১ ফাইল তৌরকখিবা লৈখ্রে হায়রি। স্যুইট অসি কুমজা ১৯৫০গী এপ্রিল ১৯দা দিসমিস তৌবদগী মীওই অনীসিনা এস দি ও, উখ্রুলদা অতোপ্পা স্যুইট নম্বর- ৯৮ ওফ ১৯৫০-৫১ অমুক হন্না ফাইল তৌরকখি। অদুবু মসিসু কুমজা ১৯৫২গী জুলাই ২৬তা অমুক্কসু দিসমিস তৌখি হায়রি।

থেংখাং অনীরক্তা মায়থীখ্রবা মীওই অনীসিনা আপিল কেস নম্বর- ১৭১ ওফ ১৯৫২ অমা দেপ্যুটি কম্মিস্নর উখ্রুলদা ফাইল তৌরকখি। অদুবু মসিসু দিসমিস তৌখি হায়রি।

মসিদসু হনবা লৈতবা মীওই অনীসিনা কুমজা ১৯৬০গী জুন ৯দা মতম অদুগী মণিপুরগী চীফ কম্মিস্নরদা হিল রিভিজন কেস নম্বর-৭ ফাইল তৌরকখিবা য়াওনা লেপ্তুনা তৌরকপা কেসশিং গৌহাটি হায় কোর্ট (ইম্ফাল বেঞ্চ) ফাওবদা লাম্হেংনরকখি হায়রি।

অদুবু লোগী মতেং লৌদুনা তৌরকখিবা কেস কয়াদা মায়থীখ্রবা মতুংদা ইখঙ-খঙহৌদনা মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (রেভিন্যু)না কুমজা ২০১৭কী জুলাই ২১দা থোকখিবা ওর্দর অমসুং জুলাই ২২, ২০১৭কী নোটিফিকেসননা পুশিং ভিলেজবু অনী থোকপদা অয়াবা পীবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙান্না শকখঙনহনবগী থবকশিং পায়খৎলকখিবনি হায়রি।

অদুবু ওর্দর অমসুং নোটিফিকেসন অসিবু শীংনরকপা কেস অসিগী হিয়রিং থা অসিগী ২১দা পাঙথোক্লগা রিজর্ভ তৌদুনা থল্লকখিবা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি লাউথোকখিবনি। কেস অসিদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা এদভোকেট জুনো রহমননা লেপখি। অদুগা ওফিসল রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট নিরঞ্জন সনসমনা লেপ্লগা প্রাইভেট রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা সিনিয়র এদভোকেট আর এস রৈশঙনা লেপখি।

### Important Phone Nos.

| | |
|---|---|
| RIMS | - 2414478 |
| J.N. Hospital | - 2450385 |
| DG Control | - 2450100 |
| **FIRE SERVICE** | |
| Imphal | - 101 |
| Moirang | - 8415925197 |
| Churachandpur | - 8415925191 |
| Thoubal | - 8415925203 |
| Kakching | - 8415925194 |
| Jiribam | - 8415925193 |
| Mayang Imphal | - 8415925196 |
| Bishnupur | - 8415925190 |
| Moreh | - 8415925198 |
| Kangpokpi | - 8415925195 |
| Ukhrul | - 8415925205 |
| Senapati | - 8415925199 |
| Chandel | - 8415925192 |
| Singhat | - 8415925201 |
| Sugnu | - 8415925202 |
| Yairipok | - 8415925206 |

### Today's Flights Timing (Non Stop only)

| | |
|---|---|
| **IMPHAL → AGARTALA** | |
| IndiGO | 13:20 |
| Air Asia (India) | 15:50 |
| **IMPHAL → AIZAWL** | |
| Air Asia (India) | 12:20 |
| **IMPHAL → DELHI** | |
| Air Asia (India) | 13:45 |
| IndiGO | 14:30 |
| **IMPHAL → GUWAHATI** | |
| IndiGO | 09:45 |
| Air Asia (India) | 11:15 |
| IndiGO | 14:15 |
| Air India | 14:20 |
| **IMPHAL → KOLKATA** | |
| IndiGO | 10:50 |
| Air India | 14:45 |
| IndiGO | 15:20 |

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 78.765776 |
| US Dollar | 71.440752 |
| British Pound | 93.429344 |
| Australian Dollar | 48.365427 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.299007 |
| Japanese Yen | 0.655872 |
| Malaysian Ringgit | 17.571073 |
| Singapore Dollar | 52.652686 |
| South Korean Won | 0.060737 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.050867 |
| Thai Baht | 2.327919 |
| Myanmar Kyat | 0.04878 |
| Bangladesh Taka | 0.84176 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – Rs | 40673.00 |
| Mumbai | – Rs | 40636.00 |
| Delhi | – Rs | 40580.00 |
| Kolkata | – Rs | 40735.00 |

### GAS NEWS

**HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE**
Booking Upto: 23/12/2019
Valid From: 21/12/2019
***Stk : 306***

**K & K INDANE SERVICE**
Booking Upto: 30/11/2019
Valid From: 23/11/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 11.00 am
(First Come First Serve)

**KHORIPHABA (NAMBOL)**
Booking Upto: 28/11/2019
Valid From: 25/11/2019
Timing: 07.30 am to 09.30 am

**LAMSANG GAS AGENCY**
Booking Upto: 30/11/2019
Valid From: 28/11/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 10.30 am
(First Come First Serve)

**MANIPUR POLICE GAS**
Booking Upto: 26/11/2019
Valid From: 23/11/2019
***From Sl. No. 51***
***Stk : 306 (CTC & DNSC)***
Timing: 10.00 am to 01.00 pm

**M/S BASHIKHONG INDANE**
Booking Upto: 02/12/2019
Valid From: 23/11/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 10.30 am
(First Come First Serve)

**J RONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking Upto: 03/11/2019
Valid From: 01/11/2019
***Stk : 306***
Timing: 06.30 am to 09.30 am





